ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, ফেব্রুৱারি ০২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩০৫শুবা মশীং

## ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দস দে

### লমদমসিগী পাৎশিং কন্ননবা পুকচেল শেংনা হোৎনবগী মমি তাদে

মালেমগী মফম খুদিংদা চহী খুদিংগী ফেব্রুৱারী ২দা ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দ দে থৌরম পাঙথোক্লরি। মালেমসিদা লৈরিবা মীয়াম অমদি ঐখোয়গী প্লানেট অসিগীদমক ৱেটলেন্দশিংগী মরু ওইবা অদু খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোক্লরিবনি। থৌরম অসি কুমজা ১৯৭১দা ইরানিয়ন সিটি রমসারদা খূৎয়েক পীনখিবা রমসার কনভেন্সন ওন ৱেটলেন্দসু নীংশিংবা ওইনা পাঙথোকপনি। চহী অসিগী ওইনা ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দ দে অসি ৱেটলেন্দস এন্দ ৱাটর হায়বা থিমদা পাঙথোক্লুগদৌরি। ষ্টেট অসিদসু ৱর্ল্ড ৱেটলেন্দ দেগী থৌরম অসি জৈলাদ লেকতা পাঙথোক্কদৌরি। এনভাইরোনমেন্টেলিষ্ট কয়ানা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মালেম অসিদা ফংলিবা ঈশিংশিং অসিগী মনুংদা চাদা ২.৫ খক্তমক ফ্রেশ ৱাটরনি। মসিগী মনুংদা চাদা ১ রোমদমক শীজিন্নবা য়ারি। মসিগীসু মথক্তা মালেম অসিদা মীওই বিল্লিয়ন ২.২ রোমদি থক্লুবা অফবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবনি। হকচাং ফনা থম্নবগীদমক অফবা ঈশিং শীজিন্নবা হায়বসি য়াম্নমকসু মরু ওইরিবনি। চহী ১০০গী মনুংদা ঈশিং শীজিন্নবগী চাং অসি হান্না শীজিন্নরম্বা চাংদগী শরুক তরুক্কী চাংদা হেনগৎলি। লোয়ননা চহী খুদিংগী ঈশিং শীজিন্নবগী চাং অসি চাদা অমরোম হেনগৎলি হায়নসু পানরি। ফ্রেশ ৱাটরশিং অসি অয়াম্বনা ৱেটলেন্দশিংদগী ফংলিবনি। ঈশিং মরাং কায়না লৈহনগে হায়রবদি মীওইবা ঐখোয়না ৱেটলেন্দশিং মাঙহন-তাকহনবা অসি লেপ্পা মথৌ তাই।

মণিপুরদসু পাৎ কয়া মাঙখ্রে। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা জৈলাদ লেক, ইথাই পাৎ, লোক্তাক পাৎ, উশোইপোকপী পাৎ, ৱাইথৌ পাৎ, উত্রা পাৎ, লৌশি পাৎ, খোইদুম পাৎ, খারম পাৎ, ইকোপ পাৎ, খয়াং পাৎ, কচোপুং পাৎ, খমলাং পাৎ, য়াইরল পাৎ, পোইরৌ পাৎ, জাইমেং লেক অমদি হৈঙাং পাৎ কন্ননবা অমদি পাৎশিং অসিগী মরমদা খঙহন্ননবগীদমক ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) না শীন্দুনা ফেব্রুৱারী ১দগী হৌরগা থাবুম অমা চূপ্না চথুগদবা নো য়োর সেঙ্কচুঅরিজ এন্দ ৱেটলেন্দস হায়বা মীদিয়া কেম্প্যেন ফেব্রুৱারী ১দা হৌদোকখিবগা লোয়ননা বন্নিং, জৈলাদ ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুঅরি, জিরি মাক্রু তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা চৎখিবা পাউমী ২২ য়াওবা টিম অমা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লমথাখি। লমথাবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লমদমসিগী সেঙ্কচ্যুঅরি অমদি ৱেটলেন্দশিংগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, লম্ফেল পাৎ অসি শেমগৎননবা হোৎনরকপা চহী অনী শুরে। মসিগীদমক লম একর ৩৭৩ লৌশিন্দুনা লৈরে। অদুবু লম্ফেল পাৎ অসি শেমগৎননবগীদমক পায়খৎলিবা থবক অসিগী মওং মতৌদি পেন্নীংঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোকখি। রেভিন্যু অমসুং ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মতম অমদা লৈরম্বা এমপ্লোয়ীশিং অমদি হৌজিক লৈরিবা এমপ্লোয়ী কয়া থম্মোয় শেংবা ৱাৎলি। মসিগীসু মথক্তা থম্মোয় শেংদবা এমপ্লোয়ীশিংনা পাৎ মনুংদা পাট্টা অমসুং দাগ চিথা পীরম্বা অসিনা য়ূম-কৈ শাজিল্লক্তুনা পাৎ মাঙহনবনি। মীওইবা ঐখোয়না পাৎ কয়া মাঙহল্লকপা অসিনা হৌজিক্তি চৈথেং কয়া ফংলে। চীং, পাৎতা লৈজগদবা তীল-কাং অমদি থৱায় পানবশিং অদুনা লৈফম লৈতদনা হৌজিক্তি য়ূম-য়ূমদা চঙলক্লগা মীওইবা ঐখোয়দা লান্দাশিল্লকপনি। ঐখোয়গী তাঙলবা লন ঐখোয়না মাঙহঞ্জবনি। ফম্লগা এনভাইরোমেন্টেলিষ্ট ওইবখক্লদি কান্নরোই। উমং-ৱামংদা চৎতুনা উমংশিং অমদি ৱাটর বোদিশিং কন্নবা হোৎনসি হায়নসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখি। চীফ মিনিষ্টরনা থম্মোয় শেংবা ৱাৎলি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অসিমক লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ীশিংনা তরাইনা লৌফম থোক্তে। মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা থম্বা পাম্বা মীয়াম্নসু এমপ্লোয়ীশিং অসিদা পেন্নদবা কয়াদি মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবনি। লমদম অসিগী পাৎ কয়া মাঙখিবা অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী এমপ্লোয়ীশিংনা থম্মোয় শেংনা হোৎনরম্লবদি মতম চানা কল্লম্বসু য়াবনি। হৌজিক থেঙলবসু থেঙনা পাৎশিং অসি কন্ননবা হোৎনরকপা অসিদি য়াম্নমক থাগৎলি। অদুবু লমদমসিগী পাৎশিং অসি কন্ননবা ওফিসলশিংনা পুকচেল শেংবা মমিদি ইতা তাদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

(১) মণিপুরীদা ইহান হানবা মপূঙ ফানা শাংবা দ্রামা শান্নদুনা উৎখিবা অসি করম্বা চহীদনো? দ্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে অমদি কনানা ইবনো?

(২) হৌখিবা চহী ২০২০ গী ওক্তোবর থাদা 'উশিন' হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখি। লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

(৩) 'ত্যাগপত্র' হায়বসি কনানা ইবা লাইরিক্নো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

(৪) শক্নাইরবা কলাকার অমনা 'শ্রীশ্রী গৌড় গোবিন্দগী থৌরম পরেং' হায়বসি ইদুনা পুথোকখি। কলাকার অসি কনানো?

(৫) 'শগোল তোংবা কাইরংবা/নঙবু তোংবা য়াওদেদা/লমগী পানা খোঙশাংবী/নঙবু শায়বা ঙাঙদেদা/ইমিং ইমাঙ হাইরৌনা/খুবাক হাইরৌনা/হংচে কোল্লো।' শৈরেং মতেক অসি অরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপনি। করি শৈরোংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ঐগী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সি নীংশিংলকপদা!

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৩৯

**জিতেন নামৈরাকপম**

পুন্সি অসি খল্লুবদা ওন্থোক্লা নুংশিরকই। মতম হায়বসিদি অসুম অসুম হৌখি। হৌখ্রবা পুন্সি খোঙচৎতি অমুক হল্লকউ হায়বা য়াদে। হৌজিক্লা হৌজিক্কী পুন্সিগী কাউঙমদ্রবা থৌদোকশিংনা অমুক অরিবা ওইদুনা লৈহৌগনি। অসুম অসুম থেংনরকপা অনৌবা পুন্সিনা পুৱারী ওনখিগনি। হৌজিক অঙাং নৎত্রগা ইনখৎলকপা নহাশিংনা অহল ওইরকপা মতমদা থায়নগী ঐখোয়গী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিদু ওন্থোক্লা নুংশিখ্রেদা হায়দুনা শোয়দনা শোনগনি। মসি ওইরেকো পুন্সি খোঙচৎ হায়বদো!

হেন্না হেন্না নুংশিরকপদি অঙাং ওইরিঙৈগী মতম অদু নীংশিংলুবদনি। ইশুং-ইমান্নবশিংগা লোয়ননা চেন চোঙদুনা শান্নমিন্নখিবা, থিঙাও-লাইঙাও ওইনা পুন্সি অসি হৌরকখি। সেলেপ অমগা (স্লেটপু মতমদুদা সেলেপ কৌই) কাঙগ্রু মতেক খরা হাফপেন শেগায়বদুগী ফুরিৎখাওদা হাপচিল্লগা অয়ূক্তা স্কুল শেগায়বদুদা লাইরিক তম্লিবনি হায়দুনা চৎপদু খল্লুবদদি ওন্থোক্লা নোক্লিংলকই। পুরিবা লাইরিক্তুসু মখুমগা ইতৎ তৎলি। বেগ নৎত্রগা খাউদা লাইরিক হাপ্লগা পুবা নত্তে। শেগাদা য়েপ্লগা চৎপনি। তম্লিবা লাইরিক্লা মপি লাইরিক অমদি ধারাপাৎ অনীখক্তনি। লাইরিক অনীদুনা চহী অহুম তমখিব্রা খল্লি। অহানবা, অনীশুবা অদুগা মঙাশুবা! অহুমশুবা, মরিশুবদি কাল্লি। তম্বসু তম্নদে। মঙাশুবা হায়রগা চহী অহুল্লকশুবা ক্লাস অদুবু খঙনৈ। অ, আ, ই, ঈ..., ক, খ, গ, ঘ, ঙ, ১, ২, ৩, ৪ ... ইবা-পাবা হৈরবা মতুংদা শুপ্লাক থিবা হৈনরে। মখা তারকপদা ময়েক তিনশিন্নবা, পুনশিন্নবা অদুসু তিনশিন্নবা, খাইদোকপা, পুরিবা হৈরে। অদুগা য়েন্নবা মথং-মথং হৈরকখি। ময়েক পুনশিন্নবা হৈরকপা মতাংদা পরেং পরেং ওইনা চিনফা পুরকখিবা মপি লাইরিক্তা য়াওখিবা ৱাহৈ পরেং খরা ঙসি ফাওবা কাউবা ঙমদ্রি। হৌজিক ফাওবা নীংশিংলিবা ৱাহৈ পরেং খরদি - 'ক্যামগৈ লৈহাও লৈবা লম অমনি' 'বর কৈন্যা অনীমক মশক ইফদ ফজৈ' থ্বায়দা লিতান থোং শাই' 'লাই গুরুশিংগা তর্ক তৌনগনু' 'হৈগ্রু চারগা ঈশিং থকপা হাওই' 'তক্ল-তক্লগা নূংদসু ময়েং তারকই' ... অসুম্না থিঙাও লৈঙাও তৌনা হৌরকপা মতাংদনি ফল্লাং হোগায়বা স্কুলদু ফাওদোক্তুনা চেল্লগা থ্রী কাপ্পী শান্নখিবা, ওজ না ফারগা কল্লাক্তা ৱাশা শাজৈ মতোন হুই-হুই লাওবীদুনা কল্লাক্তা কনখিবা। মতিং-মতিং পোমখিবা। অদুবু থোয়না নাবদি ফাওখিদে। অদুদসু নত্তে, স্কুল কারকপদা বালতিন মনুংদা খুদৈ হাপ্লগা পুরক্তুনা শম্বলৈ মরুমদা লোৎশিল্লম্বা। ষণথিনা, ষণয়ুংনা পুমতাও তাওবা ক্লাসরুমদু মনম ইনম নমথীবদুদা ওজানা লাইরিক তাক্লিঙৈ, ব্লেক বোর্দতা চোক ইরিঙৈ মনীং ফান্দদা ফম্বা ঐখোয় মরি/মঙাদু ফল্লাং হোগায়বা (ফল্লাংদুসু ঐখোয়না নুংতিগী হোগাইবদগী লিৎথোক-লিৎশিন য়ারকপনি, ক্লাস অমগা অমগা লোইনা ফাওদোক-ফাওজিন য়াই) অদুদা লিৎথোক্তুনা ঙসাই ঐখোয়না লোৎশিল্লম্বা বালতিন্দু লৌরুদুনা ঙা মোঙবা খোংবাল থিরগা ঈশিৎলি। ঙামু, ঙাক্রা, ঙাপেম্মা, উকাবী, ঙশাং বালতিন থল্লপ ফাই। অদুগা পুখ্রি অচৌবদা জবং-জবং চোঙথরগা ইরোইদুনা শান্নে। লোংদাও, লোংহুন, ইরুপ্পী ওন্থোক্লা নুংঙাইনা শান্নে। অদুগা ছুটি থারমদাই মতম য়ৌরকপা মতমদা ঙসাই পুরকপা খুদৈদুনা তৈথোক্লগা খোংগ্রাউ কোচি য়াওদবীশিংদু শেৎচিন্দুনা স্কুলদা অমুক ফল্লাংদুদা ফাওজিন্দুনা করিমত্তা তৌদবা শারগা মনীং ফান্দা অমুক ফমগনি। ফারকপা ঙাশিংদুদি শম্বলৈ মরুমদা লোৎশিল্লমগনি। মহৈরোয় ৫০/৬০ তম্বনি, ওজাশিংদু খঙহৌদবা জাৎনি। নুমিৎতুমদি লীচৈ চাখিদে। চৌকিদারনা কাংসি কাং-কাং খিংলকপদা ছুটি হায়না লাউদুনা মীরক লিং লিংতুনা চেন্থোরক্কনি। অদুগা ফারকপা ঙাশিংদু মুনবোই-মুন্দবোই মৈদা লৌদুনা চাগনি। মদুদা চাখিবা ঙাশিংদুগী মহাও ঙসিসু কাউবা ঙমদ্রি।

ক্লাস লৈথোক্লগা ঈশিৎপগী ৱারীদনি তমজরিবসি। ক্লাস লৈথোকপসি ঐখোয়গী শোয়ফদ্রবা রুটিন ৱার্কনি। করিগুম্বা মতমদনা নাওরি য়েপ্লগা পুরক্কনি। ওজানা রোল কোল তৌরক্কনি - রোল নম্বর ৱান, টু, থ্রী...। রোল নম্বর ৱান, টু, থ্রী অমুক্তা তারকখিদে ঐখোয়গী রোল কৌরকপদা কুন্থ্রাতরেৎ/নিপালগা য়ৌরকপা অদুৱাইদনি, খুমগনি-লাকচৈ ওজা, লাকচৈ ওজা। হৌজিক্কীনা প্রজেন্ট সর, মিস, মেদাম খুল্লবা মতুংদা রোল কোল তৌবা লোইদ্রিঙৈ ওজানা মঙক মখাদা লুকথরিঙৈদা লাইরিকশিংদু বেঞ্চ মখাদা লোৎশিল্লম্লগা দেক্স মখাদা তূমিন-তূমিন লীৎথরগনি ফল্লাং অহোবদুদা ফুৎ-ফুৎ ফাওদোরকখিবদু। স্কুল হায়রা অকোয়বদা ৱাল খাবসু নত্তে। কয়াদা ইনীং তম্না স্কুল কেম্পস লান্থোরকখিবা! অদুগা মীগী ইস্খোল, লৈরক মনুং ফাওদুনা চৎকনি। মতমদু হায়রেদনা ইশুক-শুকই, ৱাপল, ৱাংল-ৱাংলবা মখল মখলগী উ পাম্বীতনা কৃক-কৃক ইন্ননা হৌরি। মদুদা তোংবা মখল মখলগী উচেক কাপকনি। মতমদুগী উচেকশিং তেনৱা, খোইনীং, উতুবী, চোকঙা, লমখুনু, মোংতিৎ, শেন্থ্রাং, ক্বাক, উরিৎ অদুগা মমিং খঙদবা উচেক কয়া নাওরি কাপ্পা হৈর-হৈরবা ইমান্নবনা কাপকনি। অদুগা খূৎ চুম্বগী জাৎতদি ঐ হায়রেদনা। নচিন থী হায়নি ঐনা কাপ্পা উচেক পুন্সিদা অমুক্তা পানখিদ্রি। উচেক অমত্তসু হাৎখিদ্রি। অতোপ্পা অমনা ঐনা শাবা তেলঙ্গা পুন্সিদা পাইবদা অমুক্তা লেপখিদ্রি। খনা হেক্তা লৈ, উরু-উরু লৈরগা য়ুংনা হেক্তা শেৎথরকখি। ক্লাস লৈথোক্লগা উচেক কাপ্পা চৎখিবা মতমদা মনীং তম্না পাল্লম্বা মখল-মখলগী হৈশিং হেক হেক্তুনা চারকখি। হৈয়েন, নোবাব, হৈয়াই, কফোই, হৈনৌ, হৈবান, হৈতুপ, হৈগ্রু, হৈনজোম, জাম, হৈরিৎ, নোংগাং হৈ, নুরাহৈ, হৈরাঙ্গোই, হৈনীং, হৈখা, মালহৈ, চুমব্রৈ ... অসিনচিংবা মখল মখাগী হৈ কয়ানি। হান্না উরমখিবা উচেক কয়া হৌজিক্তি উবা ফংখিদ্রে। ওন্থোক্লা মরাং কায়না চারম্বা ঙা মখল কয়াসু মশক উরকখিদ্রে।

মতম অদুদা অঙাং ওইরিঙৈদা লাইরিক তম্মিন্নরকখিবা ইঙাও ঙাওনা হৌমিন্নরকখিবা ইমান্নবশিংগী মরক্তগী শেঞ্জাও পায়বা ওইখিবা য়াওরে। ইন্দিয়ন আর্মিগী কর্নেল ওইবসু য়াওরে। মখল মখাগী শিনফম পায়দুনা মচা মশু ফংনবসু য়াওরে। মতম অদুগী পুন্সি নীংশিংলুবদা মখোয়বু হেন্না হেন্না নুংশিরকই। মখোয়গা পূনবা, উন্নবা মতমদা অঙাং ওইরিঙৈগী মতমদো হায়রগা পূন্না অমুক নোকমিন্নে। মসিনি ঐগী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সি। ●

## ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৫

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

ইরমদমসিদা মীতোপ মীরমচা থেঙ্খাং কয়াদা চঙশিল্লকখিবা মতমদা মীয়োক মীচান ফবা অমদি লমগী ষণনা মচি শাংবোই খনখিবা খুরক্কী ঈনা লাই শাবা মৈদিংঙু কয়ানা মীরমচা মীচেন ওইনা লাকপা কয়াবু নকশিন্না থম্লুবদগী ঈমাং থোকখিবদগী মীরমচাশিংনা খুমাং চাওশিল্লকখিবগী মতুং তারকপদা হীরম খুদিংদা মুকশন লিচৎ চৎলক্তুনা ইরমদমগী খুন্নাইদা মরিং মরাংবা কয়া থোকহল্লিবসিনি। মৈদিংঙু খরগী মতমদা অহকপা য়াথংনা মীরমগী লিচৎপু চৎনহন্নবা হোৎনবদা মথৱায় থাদুনা ইরমদমগী লিচৎ ঙাক্কে খনবা ঙমখিদবা কয়াগী চাদা নাউদানা হৌজিক্তা তম্নলাই শাদুনা খুন্নাইদা য়োংলৈ মেলৈ শাদুনা 'মীনাৎ নত্তে ইনাৎনি' হায়না হায়জবসু ময়াওরি। মশানা মশাবু করিনি হায়গদগে হায়বা ফাও খঙজদবা কয়ানি। "মখোয়গী খল্লিবা ৱাখলদি মীরমদা চৎতুনা মীরমগী মহৈ-মশীন তম্লুরে, খঙ-হৈরে, মীনাৎকী চৎনবী খঙউরে, ইরমদমগীদি মনুং হুৎনা নৈননীংদে, কান্নবা মচাক লৌবা য়াবখক্তং লৌনবা পারে, মীরমগীনিসু হায়বা য়াদনবা, ইনাৎকীনি হায়বসু হায়রক্তনবা, য়াম্না হৈশিংনা, য়াম্না ৱানা হোৎনরগা পুথোকপদুদা য়ানশিন্নরবা/মুকসন নাৎ শেম্বদা হৈশিংবদুনি উৎনীংলিবসি। ইরমদমগী লোলসু অদুম মঙাঙই। ঙাঙলোদনা হায়রবসু মীরোল থেৎলগা/য়ানশিল্লগা, লাইনীং লাইশোনগী মতাংদসু মীনাৎ তাংলগা মতৌবা, মাননবা হোৎনবদা - ক্বাক্লা কোকিলগী মতু থেৎচিল্লগা কোকিল শানবা হোৎনবদা কোকিল অশেংবা নত্তবনিনা মতা'মনি, ফজৈনে হায়রগা থাগৎনশিন্নবীরকপা, করিগুম্বা মতমদনা মীরম চৎলুবদা তুহৎপীবদগী নিংদোন পোল্লগা ইরমদমসিদা থোরকপা, করিদা তাই লাদা তাই হায়বা ঈনাৎকী পাউরৌদা হেক মতারকপা, মসিনি হৌজিক্কী অরি অনৌ লাংওন লংতাইগী ফীভম। "মপা-মপু হৌরক্লোনদগী পা-খঙবগী চাদা নাউদানি কাউথোকখিবা, হৌজিক্তনা ঈনাৎলোইশিংনা ইকায় খুম্ননীংদবা, মখোয় মীরম লাইনীং লিচৎ পামজবশিং খরা নত্তনা অদুগুম্বা 'মীনা শেম্নিংবা মওংদা শেম্বা য়াখিবা - মীশেম্বোং' হায়না কৌনীংবা কংলৈপাকসিদা পানখিবা, মপাঙ্গল মরিংজেল কয়া লৈখ্রবসু, মীরম লিচৎতা হকচিন্না লৌখিবশিংদুনা ইরমদমবু লাইনীং লাইশোন্দা মীরমগী মীখা পোন্নবা শিনখিবা নৎত্রা? মীখা পোনবা মখল অনী-অহুম শুই। অদুঙৈ ইপু খোংনাংথাবনা হায়খিবা - শৱাং লুৱাংথৌ মোংফমদগী লৌথোক্লগা নিংথি তুরেল ময়াদা পুরগা মৈ ইক্লগা নিংথি তুরেলদা থাদরবদি অৱাগী মখা পোনগনি অদুমক চহী তরেৎ খুন্তাকপা ওইনা অচুম্বদুমক ওইখি। অনীশুবদনা, হৌজিকসু মীরম লাইনীং লিচৎ পামজবা খরগী মপা-মমা, মপু-মবেনগী শৱাং লুৱাং থৌ পুরগা মীরমগী লাইফমলেন্দা চৎলগা অচৌবা লাইজ ঈরোন্নুংদা থাদরুবদগী মখোয়শিংদুগী ইমুংশিংনা মীরম লাইনীং লিচৎনা খুদুম চল্লি। অহুমশুবদনা, মীগী মরোল মরী, লিচৎ য়োকখৎনবা হোৎনরুবনা মীরমগী মরোলনা ইমারোল/মমারোলদা লোলয়ান কয়া ওইনা শীজিন্নরি। মীরমচাশিংনা মখোয়গী শক্তম, মরোল, লাইনীং লিচৎ য়োকখৎনবা ইকায়-ইকি খঙদনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। ঐখোয়গীদনা ঈমাং লিচৎনা নৈশিন্দুনা, লেপ্তুনা হেন্না কন্না অশেংবা ঈনাৎকী ঈচেল চেন্থরক্লিবসিদা হন্না হন্না নৈহন্নবা হোৎনবদা মহাম তারকপদগী অঙাওবা হুইগী মতৌগুম মথোং মরম খঙদনা কোয়চেন চেনবা হৌরক্লি। মপা মপুগী য়েক সলাইবু থাদোকপসু ঙমদবদগী চেক্তা চেকশিল্লক্লবা মতমদা শাগৈগী অপোকপা-অপোকপীগী খুভমলেন চঙদুনা ঈরাৎ থৌনি তৌজদুনা অৱা অনা তাহনবীদনবা হন্না হন্না থৌনি পরৈ চেৎনরি। মতাং অসিদা লাইনীং লান্না চৎলুবশিংদা থমজনীংবা, খুন্নাইগীদা য়াম্না কান্নগদবা ৱাফম অমদি ঐখোয়গী থৌরমলোন, অইবা নোংথোম্বমচা মেরা মঙাংগী লা: ২১৫দা 'লাইনিং নামুংবা কোক্লবা থৌরম' হায়বসিদা লাইনিং নামুংবা হায়বসি কদাইবু কৌই অদুগা কোক্লবা থৌরম্না করম্না তৌগনি হায়বসিগী মরমদা ময়েক শেংনা তেন্তক্লা ইরি। "ইশাগী লাইনিং নত্তবা চৎলুবা অমদি য়ূমদা পুশিন্দুনা থৌরম তৌরুবা তারবদি মদু লাইনীং নামুংবা কৌই।" হৌজিক্কী ইরমদমগী খুন্নাইদা মসি য়াম্না মথৌ তারক্লি। মরমদি অদুঙৈ পামহৈবা নিংথৌনা ময়াং মচা শান্তিদাস গোশাই হায়বদুগী মৱা লৌরুবদগী মরাল লৈজদ্রবা ইচম চম্বা কংলৈচা কয়া মীরম লাইনিং লৌ য়াদবশিংবু ইম্ফাল অমদি ইরিল তুরেল অনীগী ইতিন্নফম লিলোং থোংগী নোংপোক থংবা ঈরোন্নুংদুদা মখ্বাংদা নূং য়ানশিল্লগা য়াম্না ৱানা হিংনা হিংনা (চংহাৎ) হাৎপীখি। শিবা কিবা কয়াবুনা 'নোংখ্রং ইরুপ্পা' হায়দুনা ঈনাৎ লাইনীং থাদোক্লগা মীরম লাইনীং চৎলনি নমদুনা হায়হনবগা লোয়ননা ঈরুপ্পা হৈতবা কয়াবু অকি অখং পীদুনা মশাগী ঈনাৎ লাইনীং মশা য়ানীংদা য়ানীংদনা থাদোকহনখি। মতমদুদা পামহৈবা নিংথৌ মশাদা নত্তনা কংলৈ ইনাৎ লাইনীং ঈচেল চুম্না চেন্থজরম্বা কয়াবু অমুক মীরমচা গোষাইগী থৌইনশিন্দগী লাইনীং লানখিবসি লাইনীং নামুংবা হায়রিবসিনি। পামহৈবা নিংথৌ মশাদগী, মরু ওইনা, হৌরগা মতুং তারকপা মচা-মশুশিংগী মনুংদা অমুক চিংথংখোম্বা নিংথৌ মশামক্লা অমুক্কা হেন্না লাইনীং নামুংবা হায়বসি ওইখ্রবনি। লাইনীং নামুংবসিদগী কন্নবগী অহানবা খোঙথাং ওইনা ইনিংথৌ ওকেন্দ্রোজিৎনা মথক্কী নোংখ্রং ঈরুপখিবগী অনম অহা চুরিবা, ৱাখল লৌশিং ফকচিল্লিবা অসি কোক্লবগীদমক কুমজা ১৯৭৪ ফেব্রুৱারী ৬, ফাইরেল থানিল য়ূমশকৈশা নুমিৎতা নোংখ্রং পরৈহনবগী থৌরম পাঙথোকখি। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### থৌদাং লৌরসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

ঐখোয় মীওইনা পোকপা মপোক অসিদা মীৎনা উরিবা খুদিংমক ফংবদি ঙমদে। অদুগা নাকোংগী লম্বীদা অমুক য়েংসি চঙলক্লিবা খোঞ্জেল অদু থম্মোয় য়ৌনা চঙবা ঙম্বরা নৎত্রগা ঙমদব্রা। মীৎনা উরিবা অমসুং নাকোংনা তারিবা খুদিংমক থম্মোয়দা য়ৈরগা ৱাখল তৌরগা উহল্লিবা, তারিবা অদুবু ফিরেপ লৌরগা মীওইবনা মা-মাগী তৌফম থোকপা মথৌ পাঙথোক্লিবনি। সংসারগী মপাল নাইদ্রবা নীংশিংবগী পুক্কেদগী পুথোক্তুনা তেংবানবগী চৎন-কাঙলোন ময়াম অমা শেমদুনা চৎনরি। অসুম তৌদুনা তাইবঙ মীওইবনা মপানগী চৎনরোল অসি মখল মথেলগী মচুনি, অরেপ্পা লৈতে। অপাম্বা মীওই অদুনা মাগী অপাম্বা অনীংবা মতুংইন্না মচু নাইহল্লি ফজহল্লি-থীহল্লি। অসিগুম্বা অপাম্বা-মীহৌবা-কল্লকপা অসিদি মী পূম্নমক্তা মান্নবদি লৈতে। পূক্নিংদা ফাওরক্লিবা ইথিল অদুনা অফবা অমসুং ফত্তবগী থবকশিং অদু পাঙথোকই। তাইবঙ ফম্বাক অসিদা মী হায়বা অসি লৈরমদ্রবদি মাগী মমিৎতা ফজবা নৎত্রগা অথিবা অমসুং অফবা-ফত্তবা লৈরমদবসু য়াই। ঐখোয়না মচুগী অনোক অমা উপ্তুনা তাইবঙ পাল্লবা ঈপাক অসি কোইয়েং য়েংসি। হাপ্লিবা অনোক্কী মতুংইন্না কনানা শংনা উই, কনানা ঙাংনা উই, কনানা থীনা উই, কনানা ফজনা উই। অমগা অমগা খক চপ মান্ননা উবা ফংদে। মরম অদুনা অপাম্বা মীনা মাগী অপাম্বগী মতুংইন্না তেংবানবগী ফজবা-অথীবা অমসুং অফবা-ফত্তবা অসি মশা মশানা শেমই। নুংশিবা লৈনম অমসুং নমথীবা অপূম অশাগী মনম তপ্না তপ্না হুমদুনা নামীবা নুংশিৎনা হুম্বদা কনাগী পূক্নিংদা থিংবা ঙম্বগে। তরু তনানবা অতিয়া মকোয়দা পুর্নিমাগী তাংথক নাইদ্রবা থানা শংবান্নবা অঙৌবা মচুনা ঙাল্লি, অয়াম্বা অহিংগী লৈরাংনা মালেমদা লৈতেংলি অদুগা তাইবঙ মীওইবদা পূক্নিং ওলহল্লি। অসিগুম্বা ফজবা অসিবু কনানা থিংবা ঙম্বগে।

পুন্সিগী খোঙচৎ নুংগী মচাক লৈহন্নবা হোৎনগদবনি। মপানথোংগী নুংঙাইবা পুন্সি লেন্দুনা অমগা অমগা শকখঙ-মায়খঙনবা অসি ঙাক্তুনা পুন্সিগী অচুম্বা অশেংবা মচাক ওইদে। মীনা য়েংবদা করিসু ওইদনা উরবসু ঐনা ঐনা ঙমজবা থৌদাং মচা অমত্তং থৱায় য়াওনা পুকচেল শেংনা পাঙথোকপা ঙম্লবদি পুন্সি মহয় য়ানবা ঙম্বা হায়বদু ওই। ঙসিগী খুন্নাই অমোৎপনা থল্লবা অনৈবা ঈশিংগা মান্নরবা মতম অসিদা মতৌ করম্না অরুবা ঈশিং ওইগদগে খনবদা ৱারবা মতমনি। ঐখোয় অশোয়বা অরানবশিংদু অসুম অসুম থাদোক্তুনা শেংদোরকপগী মতাং য়ৌরবনি। মরমদি চাওখৎপা চান্না-চিন্নবা খুন্নাই অমা শেম্নবা। মদু নৎত্রবদি ইরমদমগী ফজবা শক্তম নোংম-নোংমগী মাঙখিদুনা মুৎখিবা য়াবগী মচাক ওইরক্লি। মসিদগী কন্নবা থৱায় য়াওনা পুকচেল শেংনা থবক থৌদাং পাঙথোক্লসি, পুন্সিগী মহয় য়ানবা হায়বদু ওইনবা।

সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা অঙকপা ফংনা চাওখৎলকপগা লোয়ননা থায়নগী শুপ্নম ওইবা খুন্নাইগী পুন্সিবু মচেৎ মচেৎ ওইনা থুগাইরকই। অনৌবা জ্ঞাননা থায়নগী ধর্ম্মগী থাজনবীবু মরদ্ধ ফংনা মাঙহল্লকই। মসিনা মশা মশাগী অনৌবা জ্ঞান পুথোক্তুনা মীওইবগী মশাগী শক্তমদা চৈথেং পীদুনা মশাগী শাজৎ লিচৎ লেপ্পদা অনৌবা ইনোৎ পীরি। অনৌবা মীৎয়েংনা মীওইবা পুন্সিদা মমাঙঙৈদগী পুংখেন খেন্নবগী মওং পীরকই। মতম হায়বসি পরেং শানা তোঙান তোঙান্না অহৌবা অরোইবা নাইদ্রবা তৎত্রবা ঈচেল নৎত্রগা লেংদ্রবা হায়বা ৱাখল লাকই। মীওইবগী অরেপ্পা খঙদ্রবা পুন্সিবু ফোঙদোকপা ঙম্বা চাংয়েং কয়া তৌরক্তুনা মরৌ লৈবা হেনগৎলকই। পুন্সি অমসুং ৱাখলদা পাক চাউনা অহোংবা কয়া লাকখিবনা হান্নগী শক্তমগী মওং থুগাইদুনা অনৌবা য়াওল পুথোরকই। মরমদি অরিবগী মওং অনৌবা শাফুনা কুপশিনখি। মতমগী চৈথেংনা য়ৈবদা মশক খঙদবমখৈ ৱারবা খুন্নাইবু মশক থীহল্লিবা ফত্তবশিং মতৌ করম্না কনগদগে হায়বদা ৱারবা হৌজিক্কী মীওইবগী পুন্সিনি। মোরেল ওর্দর অমগী ৱাহন্থোক লৈরক্ত্রবা, তং তাবা অরেপ্পা খঙদ্রবা মতমগী য়াওলনি ঙসিগী খুন্নাই। অদুনা ঐখোয়না হিংলিবা পুন্সি অসি মতম চুপ্পদা নুংঙাই-য়াইফনবা অফবা অচুম্বা থৌদাং লৌরসি, ইশানা ইশাবু শেমজরসি।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক*